# ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল সুবর্টো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হৌদোকখ্রে

## টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী মেচতা থৌবালনা নোনেবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১২ : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাংজিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল সুবর্টো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হৌদোকখ্রে। টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী মেচতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা নোনে দিষ্ট্রিক্টপু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদু হৌদোক্লদুনা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা মায়কৈদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকপু পূন্না চৎমিন্নহনবগী প্লেটফোর্ম অমা স্পোর্টসনা ওইরি। লমদম অসিদা থোক্লিবা পামদবা থৌদোকশিং অসিবু মাঙহনখিনবা হোৎনবদা ষ্টেট অসিদা শান্না খোৎনবগী ইভেন্টশিং অসি হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই।

ফুটবোল্লর অমসু ওইরিবা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, শান্না খোৎনবনা খুন্নাই অসিদা পোজিটিব ইম্পেক্ট কয়া অমা পীরি। মসিগীসু মথক্তা লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপশিংগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা হোৎনবদসু শান্না খোৎনবনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মরম অসিনা শান্না খোৎনবগী থবকশিং অসি ঐখোয় খুদিংমক্না পূক্নিং থৌগৎসি হায়নসু মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ লৈবগী মনুংদা কামজোং দিষ্ট্রিক্টখক নত্তনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট ১৫ হায়বদি বিষ্ণুপুর, চান্দেল, চুড়াচান্দপুর, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম, ককচীং, কাংপোকপী, নোনে, ফেজোল, সেনাপতি, তমেংলোং, তেংনৌপল, থৌবাল অমসুং উখ্রুলনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী অহানবা মেচ অদু য়ূম্বু ওইরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্টনা শান্নখি। মেচ অসি হৌননবা রেফ্রিনা অহানবা হুইসেল হেক খোংখিবদগী য়ূম্বু ওইরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয়শিংনা এটেক তৌদুনা শান্নখি।

মেচ অসিগী ১৮ শুবা মিনিটতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয় প্রেমকান্ত মীতৈনা মহাক্কী টিমগী অহানবা গোল চন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা গোল একাউন্ট হাংদোকপা শান্নরোয় ওইখি।

মিনিট খরগী মতুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয় দিঙ্কু মীতৈনা মহাক্কী টিমগী অতোপ্পা গোল অমগা অমুক নোনেগী মায়কৈদা চনশিনদুনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

অনীশুবা হাফকী ৪৭ শুবা মিনিটতা থৌবাল টিমগী শান্নরোয় লৈঙাকপনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু থৌবাল টিমনা অমুকসু হন্না ৩-০ দা মাঙজিল থাখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী গোলশিং অদু নোনো দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয়শিংনা হন্দাক্লবা য়াম্না কন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মায়কৈদা এটেক চথুরকখি। অদুবু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না এটেকশিং অদু দিফেন্দ তৌখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মায়কৈদগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা ৩-০ দা মায় পাকখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা নোনেগী প্লেয়র অমা মেদিকেল ইগজামিনেসন, ভেরিফিকেসন তৌবদা রিজেক্ট তৌদুনা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয় ১০ খক্তনা মেচ অদু শান্নখি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদুদা থৌবালগী দি সী এল নবকিশ্বর, য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর এন প্রবিন অমসুং অনীশুবা আসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট কর্নেল জে সী হজার্নিসসু দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

### মাপনশুবা বোদৌসা কপ - ২০১৭ :

# এইমনা জি এস এফ সীবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১২ : টিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন্দা এফিলিএট তৌবা বোদৌসা স্পোর্টস ক্লবনা শিন্দুনা থা অসিগী ২ দগী আসামগী টিনসুকিয়াদা চথুরকখিবা ৯ শুবা বোদৌসা কপ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মণিপুরগী এ আই এম (এইম) না জি এস এফ সী গোসাই গাওনবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মঙা থোক্লা খাইদোক্তুনা চথুরকখিবা নেসনল লেভেল ইনভিটেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এইমনা সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক ঙসি শান্নখিবা মেচতা জি এস এফ সী গোসাই গাওনবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

মেচ অসিগী অহানবা হাফতা এইমনা অকনবা মওংদা এটেক তৌদুনা শান্নখি। এইমগী মায়কৈদগী গোল চন্নবগী খুদোংচাবা কয়া ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

নাকল অমরোমদা জি এস এফ সী গোসাই গাওনগী টিমনা সোর্ট পাস তৌদুনা শান্নরকখি। অদুমকপু এইমনা চার্জিং তৌদুনা শান্নরকপনা জি এস এফ সী গোসাই গাওনগী শান্নরোয়শিং মেচ অদু শান্ননবা হোৎনবদা খরা ৱানা উখি।

অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী গোল অমা ফাওবা ওন্থোকপা ঙমদনা ০-০ দা লৈনখি।

মেচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপগী ৪৬ শুবা মিনিটতা এইমগী শান্নরোয় বিপেন্দরনা জি এস এফ সী গোসাই গাওনগী শান্নরোয় অহুম্বু কট তৌরগা লেফ্ট ফ্লেঙ্কতগী ফজরবা পাস অমা পীরকপদা এইমগী শান্নরোয় বন্দোনানা খোঙলৈ থুনা গোল ওন্থোক্তুনা এইমসনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

জি এস এফ সী গোসাই গাওনগী শান্নরোয়শিংনসু এইমগী গোল অদু হন্দাক্তবা য়াদে হায়না অকনবা মওংদা তকখৎলগা শান্নরকখি। অহানবা হাফতা শোন্না উরম্বা জি এস এফ সী গোসাই গাওনগী শান্নরোয়শিং অদু অনীশুবা হাফতদি অকনবা মওংদা এটেক তৌরকখি। গোল ওন্থোকপা য়াবা তাঞ্জা কয়াসু ফংখি। অদুবু জি এস এফ সী গোসাই গাওনগী মায়কৈদগী ফজরবা এটেক কয়া চথুরবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। জি এস এফ সী গোসাই গাওনগী মায়কৈদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদবা অদুনা ঙসিগী মেচ অসিদা টিম অসিগী শান্নরোয়শিং মায়থীনবগী মচাক ওইখি।

টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা এটেক তৌনখি। মেচ অসিগী ৮৩ শুবা মিনিটতা এইমসকী শান্নরোয় মুনিসকী ফজরবা থ্রু পাস অমগী মতেংদগী এইমসগী শান্নরোয় গোগোচানা গোল ওন্থোক্তুনা মেচ অসি এইমসনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেচ অসিগী অরোইবা মিনিট ফাওবদা এইমসনা চল্লকখিবা গোল অনী অদু জি এস এফ সী গোসাই গাওনগী মায়কৈদগী অমা ফাওবা হন্দাকপা ঙমখিদবনা মেচ অদু এইমসনা ২-০ দা মায় পাকখি।

অমরোমদা, য়ু পিগী তরুকশুবা গুরঘা রেজিমেন্টকা ত্রাওগা শান্নখিবা মেচ অদু ত্রাই ব্রেক তৌনখি। ত্রাই ব্রেকরদা ত্রাও মায়থীহৌবদগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিদে।

লাক্লিবা জুলাই ১৪ দা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা এইমগা য়ু পিগী গুরখা রেজিমেন্টকা শান্নরগনি হায়রি।

এইম অমসুং জি এস এফ সী গোসাই গাওনগী মরক্তা শান্নখিবা মেচ অদুদা এইমসকী শান্নরোয় এল অশোক্লা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নগাওন গ্রুপকী ওইনা এইম খাবমগী শান্নরোয় গোগোচানা মেচ অনী শান্নখিবদা মথন্তনা গোল মঙা চন্দুনা ফজরবা পার্ফোমেন্স পীখি।

# এন পট্টমা দেৱী মেমোরিএল মেন'স কাং টুর্নামেন্টতা ৱাই এল দি দিবোংনা এম আই টি এল জিরিবামবু মায়থীবা পীখ্রে



জিরিবাম, জুলাই ১২ : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই কাংশঙদা টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চথুরিবা ২০ শুবা এন পট্টমা দেৱী মেমোরিএল মেন'স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি তরেৎনি শুবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱাই এল সী দিবোং খুনৌনা এম আই টি এল জিরিবামবু পাঞ্জল ১৮-১৭ তা মায়থীবা পীখিবনি।

মেচ অদু ৱাই এল সী দিবোং কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা এম আই টি এল জিরিবামনা কাং কাপ্পা হৌখি।

কাংখূৎ অনীমক্না কন্না লম্বা তৌদুনা শান্নখি অদুবু অরোইবা পুংজাদা ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ কাংখূৎনা এম আই টি এল জিরিবামবু পাঞ্জল ১৮-১৭ তা মায়থীবা পীখি।

এন পট্টমা দেৱী মেমোরিএল মেন'স কাং টুর্নামেন্ট অসিগী মথংগী মেচ এস এ ৱাই সী টিম বি অমসুং এল ঈ সী বাবুপড়া শান্নরগনি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা টি ঐচ জুগমনিনা অম্পয়ার অদুগা কে ঐচ গুনিন্দ্রোনা স্কোরর ওইখি।

# ৩৬ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ৬২ শুবা ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ :

চহী অসিগী জুলাই ২২ দগী ২৬ ফাওবা ইম্ফালগী এম বি এ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা টুর্নামেন্ট কম্মিটিনা শিল্লগা ৩৬ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ৬২ শুবা ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট কম্মিটনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লাক্লিবা জুলাই ২২ দগী ২৩ ফাওবনা ৩৬ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্কনি। অদুগা জুলাই ২২ দগী ২৬ ফাওবনা ৬২ শুবা ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্কনি।

৩৬ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট চেম্পিয়নশিপ অসি কেটাগোরি অনী থোক্লা শান্নগনি। সেনিয়র কেটাগোরিগী ওইনা মেন'স সিঙ্গলস, ৱিমেন'স সিঙ্গল, মেন'স দবলস, ৱিমেন'স দবলস অমসুং মিক্স দবলসকী ইভেন্টশিং পাঙথোক্কনি। অদুগা জুনিয়র কেটাগোরিগী ওইনা বোইজ সিঙ্গলস, গার্লস সিঙ্গলস, বোইজ দবলস, গার্লস দবলস অমসুং মিক্স দবলসকী ইভেন্টশিং পাঙথোক্কনি।

টিম চেম্পিয়নশিপকীদমক টিম অমদগী ওফিসিএল অহুম য়াওনা নুপা শান্নরোয় ৫, নুপী শান্নরোয় ৫, নুপামচা শান্নরোয় ৫ অমসুং নুপীমচা শান্নরোয় ৫ শরুক য়াবা য়াগনি।

৬২ শুবা ষ্টেট বেদমিন্ট চেম্পিয়নশিপকী ওইনা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরি ১৩ দা শান্নগনি। কেটাগোরিশিং অদুদি চহী ১১ মখাগী ওইনা মিদজেট বোইজ/গার্লসকী সিঙ্গলস, চহী ১৩ মখাগী ওইনা মিদজেট বোইজ/গার্লসকী সিঙ্গলস, চহী ১৩ মখাগী ওইনা মিদজেট বোইজ/গার্লস দবলস, সব জুনিয়র বোইজ/গার্লসকী চহী ১৫ মখাগী সিঙ্গলস, সব জুনিয়র বোইজ/গার্লসকী চহী ১৫ মখাগী দবলস, সব জুনিয়র বোইজ/গার্লসকী চহী ১৭ মখাগী সিঙ্গলস, সব জুনিয়র বোইজ/গার্লস চহী ১৭ মখাগী দবলস, জুনিয়র বোইজ/গার্লসকী চহী ১৯ মখাগী সিঙ্গলস, জুনিয়র বোইজ/গার্লসকী চহী ১৯ মখাগী দবলস, জুনিয়র অন্দর ১৯ মিক্স দবলস, মেন/ৱিমেন'স সিঙ্গলস, মেন/ৱিমেন'স দবলস অমদি মিক্স দবলসকী ইভেন্টশিংনি।

# লেট কুবের সিংহ মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, জুলাই ১২ :

লাইনিংথৌ সনামহী কাং এসোসিএসন্না শিন্দুনা ৱাঙ্গোই লোংজম লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা চথুরিবা ৬ শুবা লেট লোংজম কুবের সিংহ মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র টিম দিনা থোংজু কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১২-৮ তা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১৩ না শরুক য়াদুনা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেচতা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র টিম এ অমসুং কৈশামথোং কেন্দ্র টিম এ অনীনা শান্নরগনি হায়রি।

## ভেনস ৱিল্লিয়মস সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

লন্দন, জুলাই ১২ : ভেনস ৱিল্লিয়মসনা জেলেনা ওষ্টাপেনকোবু ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিমব্লেদনগী সেমী ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে।

মঙারক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা শান্নরোয় অসি মমাঙ থাদা মশাগী চহী ৩৭ শুখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা ৱিল্লিয়মসনা ৱিমব্লেদনগী সেমী ফাইনেল য়ৌবা খ্বাইদগী চহী য়াম্বা শান্নরোয় ওইরে।

অমরোমদা, অহুল্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নোভাক জোকোভিক্লা ফ্রাঞ্চকী এদ্রিয়ান মনারিনোবু ৬-২, ৬-৭ (৭/৫), ৬-৪ দা থোইদুনা নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে। জোকোভিকনা ৱিমব্লেদনগী ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দ চঙবা হন্দক্লা মাপল্লকশুবনি।

অতোপ্পা নুপীগী মেচ অমদা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা রসিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোবাবু ৬-৩, ৬-৪ দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

# খুম্বা বজাংসালু কবুইনি তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ : সাউথ কোরিয়াদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা জিওনজু ইন্টরনেসনল ওপন টাই ক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা কেদেট গার্লসকী কেটাগোরিদা শিলভর মেদল লৌরকখ্রবী খুম্বা বজাংসালু কবুইনি ঙসি য়ুরেম্বম অপূনবা ক্লবনা তরাম্না ওকখ্রে।

য়ুরেম্বম অপূনবা ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী হোলদা শান্নরোয় অসিবু পূক্নিং থৌগৎতুনা তরাম্না ওকপগী পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুরেম্বম অপূনবা ক্লবকী প্রসিদেন্ট ঙাসেপ্পম রঘু মীতৈ, য়ুরেম্বম জিলা পরিষদকী মেম্বর চনম ওংবী বিজেন্তি, য়ুরেম্বম জি পিগী প্রধান চোংথাম মেঘা, য়ুরেম্বম অৱাং কবুই খুলগী খুল্লাকপা বি ভুবন কবুই অমসুং য়ুরেম্বম মখা কবুই খুলগী খুল্লাকপা বি বিবিশ্বান কবুইনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# মিথালি রাজনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে

ন্যু দেল্লি, জুলাই ১২ :

আই সী সী ৱর্ল্ড কপকী ঙসি ইনিদয়গা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা মেচতা নুপীগী ও দি আইগী ওইনা ইন্দিয়ন ৱিমেন'স টিমগী স্কিপর মিথালি রাজনা মতম পূম্বগী টোপ স্কোরর ওইদুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা মিথালি রাজনা বোল ১১৪ গী মনুংদা রন ৬৯ লৌবা ঙমখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা শান্নখিবা নুপীগী ও দি আই মেচশিংদা মিথালি রাজনা মেচ ১৮৩ দা অপূনবা রন ৬০২৮ লৌবা ঙমখ্রে। মেচ অসিদা ঙসি ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লর ইলিসি পেরিনা লংখিবা বোলদা মিথালি রাজনা ওভর বাউন্দরি ফুদুনা সিঙ্গল রন অমা লৌরগা রেকোর্দ অসি থমখিবনি।

মিথালি রাজনা ৱিমেন'স ও দি আই ক্রিকেটতা খ্বাইদগী রন লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইদুনা রেকোর্দ থমখিবা অসিদা শক্লাইরবা ক্রিকেটর সচিন টেন্দুলকর অমসুং নুপাগী ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী স্কিপর ভিরাট কোহলিনা য়াইফ পাউজেলসু সোসল মিদিয়াগী খূত্থাংদা পীখ্রে হায়রি।

ৱিমেন'স ও দি আইগী ক্রিকেট হিষ্ট্রিদা ঙসি ইন্দিয়ন ৱিমেন'স টিমগী স্কিপর মিথালি রাজনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী ওইবা ক্রিকেটকী পুৱারীদা কাউওল্লরোইদবা লৈই অমসু চিংদুনা থমখ্রে হায়না লৌনরি।

## FIXTURE
## FOR
## STATE INTER SCHOOL SUBROTO MUKERJEE FOOTBALL TOURNAMENT UNDER-17 YRS. BOYS TO BE HELD AT DSC WANGJING FROM 12th TO 18th JULY 2017

| GROUP A | GROUP B | GROUP C | GROUP D |
|---|---|---|---|
| 1. Tengnoupal *(V.M. High School)* | 1. Thoubal *(Lillong Hr. Sc. Madrasa)* | 1. Ukhrul *(Little Angels, Eng. School)* | 1. Bishnupur *(Samballei Sekpil School, Kumbi)* |
| 2. Tamenglong *(Tamenglong Hr. Sec. School)* | 2. Chandel *(Corner Stone Academy)* | 2. Pheizole *Perbung Govt. H/School)* | Imphal East *Affros 'A' Hr. Sec.* |
| 3. Churachandpur *(Radhakrishna Foundation School)* | 3. Jiribam *(Jiribam Hr. Sec. School)* | 3. Kangpokpi *(Motbung Govt. H/S)* | 3. Kakching *(Elang Keina Eng. School)* |
| 4. Senapati *(Maram H/S, Tumuyon Khullen* | 4. None *(Nungnang Luangraeng Govt. H/S)* | 4. Imphal West *(Little Master Eng. Hr. Sec. School)* | |

| DATE | TIME | TEAM | VS | TEAM | VENUE | GROUP | MATCH NO. |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 12/7/2017 | 3.00p.m. | Thoubal | Vs | Noney | Wangjing | B | 1 |
| 13/7/2017 | 7.00a.m. | Tengnoupal | Vs | Senapati | -do- | A | 2 |
| | 7.30 a.m. | Ukhrul | Vs | I/West | Heirok | C | 3 |
| | 8.30 a.m. | Bishnupur | Vs | I/East | Wangjing | D | 4 |
| | 9.00a.m. | Tamenglong | Vs | C.C.Pur | Heirok | A | 5 |
| | 2.00 p.m. | Chandel | VS | Jiribam | Wangjing | B | 6 |
| | 2.00 p.m. | Pherzole | VS | Kangpokpi | Heirok | C | 7 |
| 14/7/2017 | 7.00a.m. | Tengnoupal | Vs | C.C.Pur | Wangjing | A | 8 |
| | 7.30 a.m. | Thoubal | Vs | Jiribam | Heirok | B | 9 |
| | 8.30 a.m. | Ukhrul | Vs | Kangpokpi | Wangjing | C | 10 |
| | 9.00a.m. | Bishnupur | Vs | Kakchig | Heirok | D | 11 |
| | 1.30p.m. | Tamenglong | Vs | Senapati | Wangjing | A | 12 |
| | 2.00p.m. | Chandel | Vs | Noney | Heirok | B | 13 |
| | 3.00p.m. | Pherzole | Vs | I/West | Wangjing | C | 14 |
| 15/7/2017 | 7.00a.m. | I/East | Vs | Kakching | Wangjing | D | 15 |
| | 7.30 a.m. | Tamenglong | VS | Tengnoupal | Heirok | A | 16 |
| | 8.30 a.m. | Thoubal | Vs | Chandel | Wangjing | B | 17 |
| | 9.00a.m. | Ukhrul | Vs | Pherzole | Heirok | C | 18 |
| | 1.30p.m. | Senapati | Vs | C.C.Pur | Wangjing | A | 19 |
| | 1.30 a.m. | Noney | Vs | Jiribam | Heirok | B | 20 |
| | 3.00p.m. | I/West | Vs | Kangpokpi | Wangjing | C | 21 |
| | | SEMI FINAL | | | | | |
| 16/7/2017 | 1.30 P.M. | Winner of (A) | Vs | Winner of C | Wangjing | x | 22 |
| | 3.00p.m. | Winner of B | VS | Winner of D | Wangjing | Y | 23 |
| | | FINAL | | | | | |
| 18/7/2017 | 8.00AM | Winner of X | Vs | Winner of Y | Wangjing | | 24 |

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com